# কুমজা ২০০৪ দা ঐহাক বোল্লিবোল হায়বা মশান্নসিদা ইন্টরনেসনল রেফ্রি কোর্স পাস তৌবা ঙমখি ঃ এল বালেশ্বর



এল বালেশ্বর সিংহ
(ভেটরান প্লেয়র, বোল্লিবোল)




(হান্নগী মখা...)

হায়রিবা ইন্টরনেসনল রেফ্রি কোর্সতুগী থিওরি অমদি প্রেক্টিকেল ঐখোয় মরিমকসি পার্ফোমেন্স ফজনা পীদুনা লোইশিনখি। লাইবক ফবনা কুমজা ১৯৯৮ দুমক্তদা টামিল নাদুদা তৌখিবা সেনিয়র নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপতুদা ঐহাকসি ইহান হানবা ওইনা রেফ্রিগী নেসনল এসাইন টমেন্ট ফংজখি। মদুদা বোল্লিবোলগী হান্না লৈবিরম্বা সেনিয়রশিং ওজা যুগিন্দ্রো, ওজা য়াইমা, ওজা সনাতোম্বা, ওজা ইন্দ্রমনি মখোয়সিনসু ঐবু পূক্নিং থৌগৎপীখি। সেনিয়র নেসনলদা অহানবা ওইনা মণিপুরদগী খুল্লকপসি নেসনল রেফ্রি ইগজামসি পাস তৌরবা মতুংদা নহাক্না ওফিসিয়েটিং শুম তৌবসিদা নঙনা তৌখিবা থবকশিংদুগী জুরিগী রেকোর্দতুগী মতুংইন্না এফ আই বি বি, রিজনেল সেন্তরসিদা নঙগী নমিং থারক্কদবনি। হায়রিবসি চহী অহুম শুদ্রবদি য়াদে। নেসনল রেফ্রি ইগজাম লৈরে। কুমজা ২০০৪ সিদা লাইবক ফদুনা ইন্দিয়াদা অমুক তারকখি। মতমদুদদি ঐঙোন্দা হান্না খুদোংচাবা পীবিরে। কুমজা ২০০৪ গী জান্যুৱারী থাদা চেন্নাইদা তৌখিবা ইন্টরনেসনল রেফ্রি কেন্দিদেট কোর্সতুদদি নুংঙাইনা য়াওবা ফংজরে।

চহীদুদা তৌখিবা কোর্সতুদা ইন্দিয়াদগী ঐখোয় মঙা য়াওখি। কেরলাদগী মেথিয়ু পিটজোন, টামিল নাদুদগী নকারাজ, ঝরখণ্ডদগী অজয়কুমার, দেল্লিদগী রাজ সিংহ, মণিপুরদগী ঐহাক (বালেশ্বর) কা ঐখোয়সি শরুক য়াজখি।

এসিয়াগী অতে অতে লৈবাক্তগী লাকখিবশিংগা ঐখোয় পূন্না ১৯ কোর্সতুদা য়াওখি। মদুদা ১৬ পাস তৌখি। হায়রিবা কোর্সতু লোইশিল্লগা ঐহাক যূমদা নুংঙাইনা হল্লকখি। ঐনা নীংজবা খরদি থুংবা ঙল্লগনি হায়বসিসু মতমদুদা পোল্লকখি।

চহী অনী হৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০০৬ দা ঐগী অহানবা ইন্টরনেসনল রেফ্রি এসাইন্টমেন্টসি ফিলিপিন্সতা ফংজখি। মতমদুদা ঐনা কুইনা নীংজরকপা মঙলান অমদি থুংবা ঙমজখি।

নুংঙাইজবা অমনা ঐনা তমজরুরিবা খরদু এপ্লাই তৌবা ফংজবসি ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজখি। ফিলিপিন্সতা ওফিসিয়েটিং য়াওরুরবা মতুং ইকান কান্নদনা কোলোম্বোদা অমুক এসাইন টমেন্ট পীরকখি। মদুদসু ঐহাক য়াওজখি। অহুমশুবা ওইনা ইরান্দা পীরকখিবসিদদি কম্যুনিকেসন গেপ খরা লৈখিদুনা চে চাং ফাওনবা ৱাৎখি। ভিজাগী করিগী মতাংদা ক্লিয়র তৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা চৎপা ঙমজখিদে। অদুমাইনা ঐগী কেরিয়রসি মথং মথং লাকপনা কুমজা ২০০৯ যৌশিল্লকখি। -মথং-মথং

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### বোল্লিবোলদা মিৎয়েং অমা

রেফ্রি ওইনা শরুক য়ারুবসি নহাক্না অহানবসু ওইরে, রেকোর্দনি হায়না তাকপীরকখি। অদুমাইনা কুমজা ১৯৯৮ দগী ঙসি ফাওবা নেসনল এসাইন্টমেন্টসি শুকলেপ লেপ্তনা তৌজরক্লি।

অসুম্না মথং মথং চঙশিঞ্জরকপনা কুমজা ২০০২ দা ইন্টরনেসনল রেফ্রি ইগজাম পীবগী ক্বালিফাইদ ওইরে হায়দুনা মণিপুরদা চে লাকখি। ঐসু ইশাগী ওইবা টার্গেট অমা থমদুনা হোৎনজরিবনিনা চেদু হেক ফংজবগা মরী লৈনবা ইগজাম ফি, দ্রাফনচিংবা থাজদুনা পাউ খঙহঞ্জখি। অদুবু কুমজা ২০০২ দা ইন্টরনেসনল ইগজাম থাবা চৎপা মতমদুদদি ঐগী মিংসি লিষ্টতুদগী ককথৎলগা লৈরম্লে।

করি মরমগী কনানা ককথৎলম্লিবনো হায়দুনা লিষ্টতুদা য়াওরমদবদু উবদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে। সোমদা ঐনা থৱায় য়াওনা ইথন্তা মফমদুদা লাক্লগা হোৎনরিবদু খল্লুবদা নুংবংনবা অমসু পোকখি।

মরমদুদদি খঙলগে খন্দুনা মতমদুদা ফেদরেসনগী সেক্রেটরি ওইবা মুরগান মশামকসিদা ঐনা চঙদুনা হংলে, সার ঐগী মিং য়াওদ্রিবসি করিগীনো? মরমদু খঙজবা য়াগদ্রা? ঐনা হংবসিদা মহাক্না পাস তৌরবা মতুং নঙগী গ্রেদ তুগী মতুং ইন্না নহাকসি ক্বালিফাইদ ওইরেনা চে চাং থাজখ্রগসু নঙগীসি ঐখোয়না চেক তৌবদা চহী অহুম শুগদবা থা মা ৱাৎলি।

নঙনা এলার্ট ওইবা, ঐখোয়না থাখিবা ৱারোলশিং ফজনা রেসপোন্স তৌরকখিবগীদমক ঐখোয়না নঙবু থাগৎলি। মথং চহীদা ওইনা থারো। ঐখোয়না নঙোন্দা প্রাইওরিটি শোয়দনা পীগনি। ৱাহৈশিংদু তাবদা ইশাদা লৈরম্বা চময়বশিং অদুদি কোক্লে।

মথং চহীদা থারো হায়রকপসিদদি ঐঙোন্দা খিত্তং নুংনাংবা পোক্লে। ইন্দিয়াদা (চেন্নাইদা) এসিয়াগী ওইনা সেন্তর তারকপা হায়বসি ঐখোয়গীদি অচৌবা খুদোংচাবা অমনি। বেহরান্দা, চিনাদা তারবদি ইগজাম থাবা চৎপা হায়বদু প্রোব্লেমনি।

মপান লৈবাক্তা চৎপা হায়বসিসু মশা মশানা অচঙবা শেনফম তিংগদৌরিবনি। চেন্নাই তান্না ঐনা ইন্টরনেসনল রেফ্রি ইগজাম থারুগনি হায়না লাক্লিবদুমদি মাঙজরে। অদুবু ঐসু হেক য়ৌবগা হল্লকপা হায়বদু তৌদনা তৌরম্লিবা কোর্সতুদি য়াওশিনলে। ইগজামদুমদি থাবা য়াদ্রবনিনা থাদ্রে। অদুমাই তৌরগা ঐসি হল্লক্লে।

ঐহাকসু ইন্দিয়াদা তারকপা ঙাইদুনা

## মণিপুরনা নেসনল আর্মরেষ্টলিংদা টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে

ইম্ফাল, মে ২৮ : দেল্লিনা যূম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৪১ শুবা নেসনল আর্ম রেষ্টলিং চেম্পয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী আর্মরেষ্টলিং টিমনা অপূনবা পোইন্ট ৯১ ফংদুনা নুপীগী টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা মেঘালয়ানা পোইন্ট ৬৪ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি অদুগা পঞ্জাবনা পোইন্ট ১৪৩ ফংদুনা নুপাগী টিম চেম্পিয়ন ওইখি। কেরলানা পোইন্ট ১১২ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি।

মণিপুর টিমগী পোজিসন হোলদরশিং অদুদি আর কে ষ্টেলানা জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৪৫ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা, পি জয়া দেবীনা জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা, টি ঐচ তন্না দেবীনা জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

দেবিকা হুইদ্রোম্না জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা অহানবা, এন নাওচা দেবীনা জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৮০ মথক্কীদা অহানবা, এল চাউবা দেবীনা জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

আর কে তম্ফাসনা নুপীগী কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা, পি জয়া দেবীনা নুপীগী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা, এম মেমচানা নুপীগী কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা, এস অরুনা দেবীনা নুপীগী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা, ঐচ পিগো দেবীনা নুপীগী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। এস ইনাও দেবীনা নুপীগী কেজি ৮০ মথক্কী কাঙলুপ্তা অহানবা পোজিসন তাখি।


টিঐচসরতসিংহনা নুপাগী কেজি ১০০ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা, টি ঐচ ওথেলোনা মাষ্টরগী কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা অহানবা, এম জিবন্না মাষ্টরগী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অহানবা, এম দি কলাম্না মাষ্টরগী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা, টি ঐচ সরতনা মাষ্টরগী কেজি ১০০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা, টি ঐচ সঞ্জিৎ কুমারনা মাষ্টরগী কেজি ১১০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা, এস শান্তসিংহনা নুপাগী (লেফ্ট) কী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা অমদি এম দি কলাম্না নুপাগী (লেফ্ট) কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।




HL-B/3860/11/05-10/06


## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৪৮

1. ফুটবোল শান্নবদা মায়োক্লবা শান্নরোয়গী মখোঙদা বোল কাওশিল্লগা মদুদগী চোঙথোরকপা বোল অদু অমুক ফারগা খুদোংচাবা লৌবা অদুবু করি হায়না খঙনবগে?
2. সোভিয়েট লৈঙাক্কী শান্নরোয় অমা কুমজা ১৯৬৮ গী মেক্সিকো ওলেম্পিক্সতা সনাগী মেদল ফংলকপদা কম্যুনিষ্ট লৈবাক্না মঙোন্দা কার অমা খুদোল তৌবদা কার অদুগী নম্বর প্লেটতা ১৭-৩৯ থাদুনা মশীং অদু মহাক্কী কার নম্বর ওইহনখি। কার নম্বর অদুগা মহাক্কী সনাগী মেদল অদুগা করি মরী লৈনবগে?
3. অৱাং নোংপোক্কী শান্নরোয় নুপা অমা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা খেন্ন খেন্নবা চহীদা সনাগী, লুপাগী অমদি সেঞ্চেংগী মেদল ফংখ্রে, মহাক ওলেম্পিক্কীদমক শেম শারি। মহাক কনানো?
4. নিপা অনীনা কন্না হোৎনদুনা গ্রিসতা খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬ তা ওলেম্পিক গেমস অমুক হৌদোকখি। মখোয় অনী অদুগী মমিং পীয়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।